হিয়াংলমগী ইন্টেন্দিং ...

লামায় ১গী মখা... মপাং পার্টি অমা ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) দা য়াওখ্রে।

মহাক্না এন পি পিদা চঙলকপদা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা শিলোংদা লৈবা মহাক্কী বঙ্গলোদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এন সঞ্জয়বু হরাও তরাম্না ওকখি। নৌনা এন পি পিদা য়াওরকখ্রবা এন সঞ্জয়না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবশিংগী মনুংদা হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমসুং মণিপুরদা এন পি পিনা চাউনা মায় পাক্লবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। মহাক হিয়াংলম এ সীগী মীয়াম অমসুং মহাক্কী অপান্বা মতুংইন্না এন পি পিদা য়াওবনি। হৌজিক্তি হিয়াংলম অমসুং মণিপুরগী মীয়াম অমদি পার্টিগী য়াইফনবা হনবা লৈতনা হোৎনগনি হায়রি। পনবা য়াবদি, মহাক ঈ সী আইনা এল জে পিগী সিম্বোল সিজ তৌখিবদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পার্টি অসিদগী তোকখিবনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	84.067982
US Dollar	74.247065
British Pound	99.891736
Australian Dollar	54.136462
Chinese Yuan Renminbi	11.640159
Japanese Yen	0.647123
Malaysian Ringgit	17.769349
Singapore Dollar	54.702812
South Korean Won	0.062858
Saudi Arabian Riyal	19.799217
Thai Baht	2.272934

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48705.00
Mumbai	–	Rs	49680.00
Delhi	–	Rs	49530.00
Kolkata	–	Rs	49930.00

GAS NEWS

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:
Booking up to 28/09/21
Valid from 12/09/21.
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 11AM.
#For queries during office hours: 9362661205
IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available :04-11-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556. Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.
KHORIPHABA NAMBOL
Bk up-to-date
Home delivery contact no : 9366471778, 8974087390, 8787632782
HIYANGTHANG INDANE.
Booking 15-10-21.
Valid.10-10-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 14-11-21
B/upto - 17-11-21
Stock 306
7am to 10am
CANCHI INDANE SERVICE BOOKING UPTODATE
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI
9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 30/10/2021
BOOKING upto:01/11/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30am to 11:00am
JRONGMEI SK INDANE WANGOI,
Bking upto 7/9/21
Valid from 4/9/21.
Stk 306,
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)
KHUMBONG INDANE
Booking upto 09-11-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30 to 11.am
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto-15-10-21,
VALID FROM 30-09-2021,
STOCK : 918
HOME DELIVERY ONLY.CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7AM T0 10AM

অনৌবা কেস ৫১ থেংনখি, ২ লৈখিদে

মীওই ৩৪ ফগৎলকখি, লৈখিদবা অপূনবা মশীং ১৯৫৫ শুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) : হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ঙসি নুংথিলগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী নুপা ৩০, নুপী ২১ পুন্না মীওই ৫১ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা মীওই ২ লৈখিদবগা লোয়ননা ঙসিগী ওইনা মীওই ৩৪ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি অমসুং ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৫৫ শুরে হায়রি।

ঙসিগী অনৌবা কেসশিং অদু রিমসতা ৩ থেংনরগা অতোপ্পা কেস ৪৮না অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা থেংনখিবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২২, বিষ্ণুপুর ৪, ককচীং ৪, তেংনৌপল ১ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি হায়বগা লোয়ননা মখোয়গীদমক মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কনটেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ অমত্তা কাপথোক্ত্রিবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ১/১ কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী ১৪, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লায়েংলকখিবশিংগী মনুংদগী পেসেন্ট ৪ অমসুং জ ৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা লায়েংলকখিবশিংগী মনুংদগী পেসেন্ট ৫ অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ১১ পুন্না ৩৪ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৫১ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,২৪,৬৩৯ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,২০,২৮৮ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,৩৫১) শুবগা লোয়ননা অপূনবা রিকোভর কেসশিংগী মশীংনা ১,২২,১৩২ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৭,৭৯৬ অমসুং সী এ পি এফ ৪,৩৩৬) শুরে অদুগা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৫৫২ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ৪৫২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ১০) লৈবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.৯৯দা লৈরি হায়রি।

অদুগা ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ৭৩৬ অমসুং বি টাইপ ১০৭নি হায়রি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৭০৩১ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ২০,৭৬,০১২ (ফর্ষ্ট দোজ - ১২,৬৪,৫২২ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ৮,১১,৪৯০) শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং নবেম্বর ১৬, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৬৬.১৪, অনীশুবা দোজ ৩৯.২৫, চান্দেল অহানবা দোজ ৬৪.৫০, অনীশুবা দোজ ৪১.২৫, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৫৫.২৮, অনীশুবা দোজ ৩৬.৫৮, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৬৭.৩০, অনীশুবা দোজ ৪৪.৭৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭০.৬০, অনীশুবা দোজ ৪৯.৯৫, সেনাপতি অহানবা দোজ ২৯.৭০, অনীশুবা দোজ ২১.০২, তমেংলোং অহানবা দোজ ৩৬.০৭, অনীশুবা দোজ ২২.২২, থৌবাল অহানবা দোজ ৫৫.৯৪, অনীশুবা দোজ ২৭.১৮, উখ্রুল অহানবা দোজ ২০.৭৭, অনীশুবা দোজ ১৫.০৫, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৪.০৩, অনীশুবা দোজ ২২.৬০, কাংপোকপী অহানবা দোজ ১৭.৭২, অনীশুবা দোজ ১০.১৬, কামজোং অহানবা দোজ ২৯.৪১, অনীশুবা দোজ ১৭.৪০, জিরিবাম অহানবা দোজ ৬৯.৯৯, অনীশুবা দোজ ৫১.২৩, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩১.৭২, অনীশুবা দোজ ২৬.৫৭, নোনে অহানবা দোজ ৩৫.৯৯, অনীশুবা দোজ ২৩.৫৪, ককচীং অহানবা দোজ ৭০.৯১, অনীশুবা দোজ ৪৩.৮৩নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৫৪.০২নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৩৪.৬৬নি হায়রি।

মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা চীফ মিনিষ্টরগা উনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) : পুন্না মীওই ৬না শাবা অমসুং অনৌবা মণিপুর হিলস জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এম ঐচ জে য়ু) গী প্রসিদেন্ট পিটর অদানিনা লুচিংবা কাঙবু অমনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা মহাক্কী বঙ্গলো ওফিসতা উনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগা উনবা অদুদা মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মখোয়না মায়োক্নরকখিবা অৱা অনাশিং অমসুং য়ুনিয়ন অসিগী মীদিয়া ফ্রেটর্নিটিগী ৱেলফ্যেরগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংদা মীৎয়েং চঙদুনা কোকহনবীবগীদমক চীফ মিনিষ্টরবু তৌবীমল খঙবা উৎখি অমসুং হিল দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইবা প্রেস ক্লব অমা লিংনবগী ৱাফম কাংথোকখিবা অদুবুসু টিম অসিনা নৌহৌননা নীংশিংখি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগা উনখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা তোঙান তোঙানবা লোনশিংগী ট্রান্সলেটরশিং পোষ্টিং পীবগী থবক্তসু চীফ মিনিষ্টরবু খূৎ থিংজিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীহুৎ কাঙবু অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈঙাক্না পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা য়েংশিন্নবা আপীল তৌখি।

নহাক্না লৈখিদবনা মালেমগী ...

লামায় ১গী মখা... থৌদোক্তা অপোকপা অমসুং অপোকপীগা লোয়ননা চৎমিন্নরুবদগী লৈখিদ্রবা চুড়াচান্দপুরগী সেন্ট পাল ইন্সটিট্যুট (লমকা) দা ক্লাস টু তম্লন্বা অবির ত্রিপাথি য়াওনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা ৪৬-অসাম রাইফলসকী কর্নেল বিপ্লব ত্রিপাথি, মহাক্কী লোয়নবী অনুজা ত্রিপাথি অমসুং বট্টালিয়ন অসিগী পর্সনেল ৪ য়াওনা পুন্না মীওই ৬কী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ফোটোদা লৈশু কৎপগা লোয়ননা কেন্দল থানখ্রে।

থৌরম অদু চুড়াচান্দপুরগী মপূং ওইবা ফুরুপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জোমি ফুরুপকী জোমি য়ুথ এসোসিএসন, জোমি মাদরস এসোসিএসন, জোমি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন অমসুং জোমি হ্যুমেন রাইটস ফাউন্দেসননা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা ওনলি গ্রেস হোমদা পাঙথোকখিবনি।

ওর্ফানশিংগী হোম অসিদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা জোমি কাউন্সিলগী চ্যেরমেন অমসুং থৌরম অসিবু শিনখিবা ওর্গনাইজর নুপা অমসুং নুপীশিংনা শরুক য়াখি।

জেদ এম এনা চলাইবা ওনলি গ্রেস হোম অসিগী পিক্লিবা অঙাংশিং, সেন্ট পাল ইন্সটিট্যুটকী মহৈরোয়শিং, জোমি ফুরুপকী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংবু লৈখিদ্রবা অবির ত্রিপাথিনা তম্লন্বা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা লুচিংদুনা মখোয়গী মফমদা লৈশু কৎখি অমসুং কেন্দল থানখি। ঙসিগী থৌরম অসিদা লৈবাক্কীদমক্তা কথোকখ্রবা নখোয়গী নফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়বগা লোয়ননা নহাক লৈখিদবদা মালেমগী মীয়াম্বু ৱাহল্লে হায়বা ৱাহৈ পরেংশিং ইদুনা শীজিন্নখি হায়রি।

লুহোংবা নোংঙানবগী এক্সিদেন্টদা ...

*লামায় ১গী মখা...*এম এন - ০২/বি-৮৬৭৩না থোম্বদগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়েংলবা মতুংদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি রিমসতা সিক্যুরিটি ওইনা থবক তৌবনি হায়রি। থৌদোকসিগী মতাংদা কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎখ্রে অমসুং চেন্নরিবা জীপ অদু ফাগৎলে হায়রি।

গ্রেনেদ থমজিল্লম্লে...

*লামায় ১গী মখা...*অপোকপা দল্লিয়ু ইবোহল কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ২দগী লাক্লগা হৌজিক্লা মফম অদুদা লৈবনি হায়রি। অদুবু গ্রেনেদ অদু কনানা করিগীদমক মহাক্কী গেট মখাদা থমজিল্লম্লিবনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অদুম ওইনমক হেন্দ গ্রেনেদ অদু পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিং লাক্তুনা লৌখৎলবা মতুংদা লম্ফেলগী অমোৎ অকায় থম্ফমদা পুরগা মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

পাউ অমনদি ৱাহেংবম রামেশ্বর মশা ইঞ্জিনিয়র ওইবনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী থোঙ্গালদা ফিক্স তৌবা সী সী টি ভি কেমেরাগী ফুটেজ মতুংইন্না হেন্দ গ্রেনেদ অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তারকপদা মীওই ২ লাক্লগা মখোয় অনীগী মনুংদগী অমনা থমজিল্লম্বনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক মণিপুরগী কোভিদ-১৯গী ফীভম খরা খজিক শাফবা হৌরকপদগী লো এন্দ ওর্দর কায়হনবা য়াবা থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোকচিল্লক্লিবনি। থা অসিগী ৯গী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুং চনবা লাইফ্রাকপমদা থোং শাবা য়াওদুনা লৈবা নন লোকল লেবর অমা মহাক্না তূন্লিবা খোলাদা মশক খঙদবশিং চঙশিল্লক্তুনা নোংমৈনা কাপ্লন্বদগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি।

মসিগী মতুংদনা থা অসিগী ১৩দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট সব দিভিজনগী মনুং চনবা বেহিয়াং পি এসকী মফম অমদা য়ু জি গ্রুপ অনীগী কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা ৪৬শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুদা এম্বুশ তৌরকপদগী বট্টালিয়ন অদুগী কম্মান্দিং ওফিসর বিপ্লব ত্রিপাথি, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং পিক্লিবা মচানুপা ১ য়াওনা পুন্না মীওই ৭ শিখিবনি।

নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা ৱাবগাই য়াংবীগী মফম অমদা শীজিন্নবা য়ারিবা লেথোদ সেল ২০ লৈরম্বগী থৌদোক লৈখিবনি। অদুগা থা অসিগী ১৪গী অয়ুক অঙনবদনা খুরাই লমলোং কৈথেলদা লৈবা ফার্মাসি অমদা থল্লম্বা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ঈ দি) অমা পুলিসনা রিকোভর তৌখিবনি। অদুগা থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ৬.২৫ রোম তারকপদনা খোংমন জোন ৱানদা লৈবা ঙা অমসুং য়েরূম য়োনবা মীওই অমগী দুকান মনাক্তা টাইমর য়াওনা আই ঈ দি অমসু থল্লম্বদগী পুলিসনা লৌখৎখিবা থৌদোক লৈখ্রবনি।

য়ূমখাম ইরাবোত ১৫-ৱাংখৈ...

লামায় ১গী মখা... ফংফম থোকপা মোনেটরি বেনিফিটশিং ফংবদা অথিংবা থমদুনা লাকখিবগা লোয়ননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কম্মিটিশিংনা লৌগদবা ৱারেপ্পচিংবগী মতাংদা ভোট লৌনরকপদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়বগী অথিংবা থল্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক মহাকপু এ সী অসিগী এম এল এ ওইবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াহনবগা লোয়ননা এসেমব্লিদা চথবা দিবেট/দিস্কসননচিংবদদি অথিংবা পীরকখিদবনি। ওক্রম হেনরিনা ফাইল তৌরুবগী মতুংইন্না এম এল এ ইরাবোততা থল্লকখিবা অথিংবশিং অদুগী ওর্দর অদুনা চৎলিবা কুমজা অসিগী মে ৬, ২০২১দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস উদয় উমেস ললিৎ, জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি অমসুং জষ্টিস কে এম জোসেফকী অপূনবা বেঞ্চ অমনা পীখিবনি। অদুগা নুমিৎ অদুদা সিভিল আপীল অসিগী অরোইবা ৱায়েল চথনবগীদমক মেট্টর অসি জুলাই ২৭, ২০২১দা মখা তানা খন্ননবা লিষ্ট তৌনবগী দিরেক্সন পীখিবনি।

অদুবু এপেক্স কোর্টতা সিভিল আপীল অসিগী অরোইবা ৱায়েল মতম শাংনা চথদনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস উদয় উমেস ললিৎনা লুচিংলগা জষ্টিস এস রবিন্দ্র ভাট অমসুং জষ্টিস এম ত্রিবেদি অহুমগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টতা লিষ্ট তৌখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা সিভিল আপীল অসিগী য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এ ইরাবোত অমসুং ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মীখলদা এ সী অসিদা মীরেপ ওইখিবা আর কে প্রিয়োবর্ত্তগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনচিংবগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা এপেক্স কোর্ট অসিনা ও হেনরিনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল আপীল নম্বর ১৬৬৬ ওফ ২০২১ অদু দিসমিস তৌরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

মরম অসিনা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ৱাই ইরাবোতপু ১৫-ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এনি হায়দুনা লাউথোক্লবা মতুংদা ৱাশক লৌখ্রবসু মহাক্কী এম এল এ ওইবগী ফংফম থোকপা মোনিটরি বেনিফিট অমসুং ভোটিং রাইট ফংহন্দনা লৈরকখিবা অদু সিভিল আপীল অসি দিসমিস তৌথোকখ্রবনিনা মহাক মণিপুরগী অতোপ্পা এসেমব্লি সেগমেন্টশিংগী মীহুৎ ওইরিবা অতৈ এম এল এগুম্না ফুল ফ্লেজেদ এম এল এ অমা ওইরগনি হায়বসিনি।

ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রুল্লিং অসিগী মতাংদা পাউচে অসিগা এম এল এ ৱাই ইরাবোতকা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, সুপ্রিম কোর্টকী অথিংবা লৈরি হায়দুনা মহাক্না থক্তোক্কে হায়বসু নত্তবা মহাক্কী কেন্দ্রগী ফংফম থোকপা মীয়ামদা য়েঙ্গোক্কদবা কেরোসিন ফাওবা হৌজিক সী এ এফ এন্দ পি দিগী লোয়শঙ পুরিবা মিনিষ্টরনা ফাওবা পীদনা থল্লি হায়খি।

অদুগা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টমগী মখাদা মীয়ামদা য়েঙ্গোক্কদবা পোৎলমশিংগী মতাংদসু চয়েৎ খোয়েৎনবা থৌদোক কয়া থোকচিলহল্লকপদগী নুংঙাইতবা অমসুং মতম চানা বেনিফিসরিশিংদা ফংহনবা ঙমদবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগীদি ইকায়খুম্নজরিবা লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্টনা পীরকখিবা দিরেক্সনশিং অদু ঙসি ফাওবা ঙাক্লা চৎতুনা লাক্লিবনি হায়খি।

করিগুম্বা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অদুগী সর্টিফাইদ কোপি হেক ফংবগা লৈবাক মীয়াম খঙননবা পাউমীশিংগী খূথাংদা ইকায়খুম্নজরিবা কোর্ট অসিগী অরোইবা ভর্দিক্ট অদু লাউথোক্কনি হায়নসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

ও ইবোবীদা এবসোলুট বেল পীববু শীংনরকপা এনফোর্সমেন্ট ...

লামায় ১গী মখা... লৌখৎপা কেসতগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এবসোলুট বেল পীদুনা লৈরকখিবনি হায়বগা লোয়ননা মহাক মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মীওইনি হায়বা ৱাফম ফাওবা পন্দুনা মহাক্কী অর্গ্যুমেন্টশিং সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চ অসিদা সবমিসন তৌখি।

কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলগী অর্গ্যুমেন্ট অমসুং কেস অসিগা মরী লৈনবা অতৈ সবমিসনশিং তারবা মতুংদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এবসোলুট বেল পীবা ওর্দরগী মায়োক্তা ফাইল তৌরক্লিবা এস এল পি অদু দিসমিস তৌরে হায়না ওপন কোর্টতা লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি, এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মসা লোয়শঙ অমা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইম্ফালদা হাংদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈদগীসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা অনৌবা কেস নম্বর এফ. এন ও. ০২/জি দল্লিয়ু জেদ ও/২০২০/৯৫ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। ইম্ফালদা হাংদোরক্লিবা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী ইম্ফাল সব জোনেল ওফিস অসিগী মায়কৈদগী নৌহৌননা অমুক লৌখৎলক্লিবা কেস অসিগা মরী লৈননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিবু দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিসতা লাক্লবা সমন নোটিস পীরকখিবনি।

অদুম ওইনমক দিরেক্টোরেট অসিগী মায়কৈদগী অমুক্কসু হন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলক্লিবা কেস অসিদগীসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা এন্টিসিপেটরি বেল নম্বর ৪৫ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরক্তুনা অমুক্কসু এন্টিসিপেটরি বেল লৌদুনা লৈরক্লিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী অকোনবা পীখিবা বেল অদু ওক্টোবর ২১, ২০২১দা চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমারগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা ও ইবোবীগী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট, ২০০২গী মখাদা লৌখৎলক্লিবা অনৌবা কেস অসিদগী মহাকপু ইন্টরিম বেল পীরে হায়না লাউথোকখিবনি। লোয়ননা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মায়কৈদগী অনৌবা লৌখৎলক্লিবা কেস অসিগা মরী লৈননা ও ইবোবীবু ফাবা-পুনবগী থবক চথরোইদবনি হায়বগী দিরেক্সনসু পীখি। অদুবু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কেস অসিগা মরী লৈননা চথরকপা ইনভেষ্টিগেসন/ইনক্কারিদদি মহাক্না কো-ওপরেসন পীগদবনি হায়খিবনি।

ইহান হানবদা ও ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মণিপুর দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস) কী চ্যেরমেনগী থবকসু মতম খরা পুরিঙৈদা লোক্তাক পাৎতা শেমগৎকদবা ৱাটর স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগীদমক সেন্টরনা পীরকখিবা শেনফমশিংগী মনুংদগী য়াম্লবা শেনফম অমা লান্না শীজিন্নখি হায়বগী চার্জদা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (প্লান্নিং) ডা. টি ঐচ মুনিন্দ্রোনা পিটিস্নর ওইদুনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা অইবা রিপোর্ট অমা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি লিংলকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ কুমজা ২০১৭তা ফাইল তৌরকখিবনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা সেপ্টেম্বর ১, ২০১৭কী নুমিদাং পুং ৭ তারকপদা ও ইবোবী য়াওনা এম দি এসকী চ্যেরমেনগী থবকশিং পুরম্বা চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা মীওই অহুম অমসুং এম দি এসকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইরম্বা মীওই অমা অমদি সোসাইটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর ওইরম্বা মীওই অমা য়াওনা পুন্না মীওই ৬কী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৯৮গী সেক্সন ১৩ (২) অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৪২০, ৪০৬, ১২০ বিগী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২৪৪ (৯) ২০১৭ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন ইম্ফাল পি এসনা চথবা হৌরকপদা কেস অদু সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা খূৎশিন্নখিবনি। মসিগী মতুংদগী এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী ন্যু দেল্লীগী লোক নায়ক ভবন (খান মার্কেট) গী তরুকশুবা ফ্লোরদা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ রিভেন্যুগী মখাদা লৈরিবা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা দিরেক্টোরেট অসিগী ইম্ফাল সব জোনেল ওফিস হাংদোরকখিবগা ইকান কান্নদনা অনৌবা কেস অমমুক হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা লৌখৎলকখিবনি।

‘সী এমদা হায়সি’ হায়বগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা...

লামায় ১গী মখা... ফোঙদোকপগী মথৌ তাগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলদুনা মতম খরগী মমাঙদা ষণ ময়ুংগী মতাংদা ৱা ঙাঙলুবা জর্নেলিষ্ট অমা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ফাজিনখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লৈঙাক অসিগী সী এমদা হায়সি হায়রিবা থৌরম অসিগী খূথাংদা চীফ মিনিষ্টরনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী ৱাফমশিং তাদবগা লোয়ননা মীয়াম্না মায়োক্নবা অৱাবশিং কোকহন্নবা হোৎনদে হায়বসিসু মীয়াম পুম্নমক্না খঙই। মরম অসিনা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা ওপোজিন পার্টি অমা ওইরিবা কোংগ্রেসনা চীফ মিনিষ্টরদগী ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈহন্নবা হোৎনবগী হক লৈ হায়খি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী কোংগ্রেসনা ঙসি ‘সরকার তারিব্রা’ হায়বা থৌরম অসি হৌদোকপনি অমসুং ‘চীফ মিনিষ্টরদা হায়সি’ হায়রিবা থৌরম অসিদা মীয়াম্না ফোঙদোকপা মখোয়গী অৱা অনাশিং অদুগুম্না মীয়াম্নসু কোংগ্রেসনা ঙসি হৌদোল্লিবা প্রোগ্রাম অসিদসু ফোঙদোকপীরক্নবা আপীল তৌখি।

মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরদা হায়দোকপা অমসুং ফোঙদোকপা ঙমদবশিংদু কোংগ্রেস পার্টিগী থৌরম অসিগী মনুং চন্না ফোঙদোকপীরকউ হায়খি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা একাউন্টেবিলিটি ঙাক্না চৎহন্নবগীদমক মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা কোংগ্রেসনা মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৱা অনাশিং কোকহন্নবা হোৎনগনি হায়খি। মীয়াম্নসু মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং অকিবা অমত্তা য়াওদনা ফোঙদোকপীয়ু হায়খি।

ঙসিগী কোংগ্রেস ভবনদা হৌদোকখিবা ‘সরকার তারিব্রা’ হায়রিবা অনৌবা থৌরম অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওফিসল ওইবা য়ুট্যুব চেনেল অমসু হৌদোকখি। চেনেল অসিনা ঙসি হৌদোল্লিবা ‘সরকার তারিব্রা’ হায়বা থৌরমসিগী মনুংদা কোংগ্রেস পার্টিনা পাঙথোরকপা অমসুং হৌদোরকপা থবক থৌরমশিং কভরেজ তৌগনি হায়খি।

মণিপুরগী মহৈরোয় চাদা ...

*লামায় ১গী মখা...*অপূনবা লৈবাক অসিগী য়ূমথোঙ ৭৬,৭০৬ কোনশিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা চহী ৫দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৭৫,২৩৪ কোনশিনখি। লোয়ননা প্রাইমারি লেভেলগী অঙাংশিং তাকপী তম্বীরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী ওজা অমসুং মখোয়গী হেদ টিচর ৭,২৯৯বুসু কোনশিনখি হায়রি।

ঙসি রিলিজ তৌখিবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০১৮দা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা মীং চনবা মহৈরোয়শিংগী মশীং চাদা ২৬.৮দা লৈরম্বদু চৎলিবা চহী ২০২১দদি চাদা ১৩.৪দা হন্থরকখি। হন্থরক্লিবা অসি কুমজা ২০১৮দা মীং চন্দবগী চাং চাদা ১.১দা লৈরম্বদগী চৎলিবা চহী অসিদনা চাদা ১৫.৫দা হেনগৎলকখিবা অসিগা ইরোয়নরকখিবা চাংশিংনি হায়রি।

অদুগা মণিপুরগী ওইনা অঙাংশিংনা ট্যুসনগী খুদোংচাবা লৌবগী চাংনা কুমজা ২০১৮দা চাদা ৪৬.২ ওইরম্বদগী চৎলিবা চহী অসিদনা চাদা ৪৯.১দা হেনগৎলকখি হায়রি।

লোয়ননা হৌজিক্কী ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মহৈশঙশিংদা মীং চল্লবা অপূনবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী চাদা ৯৪.৩ য়ৌনা মখোয়না তম্লিবা ক্লাসশিংগী মরী লৈনবা টেক্সবুকশিংদি লৈবা ফংলে হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফী চাদা ৫০ ...

লামায় ১গী মখা... ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-এস) অমসুং ওর্দর থোকখিবা দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস) নি।

পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা এদ্যুকেসন দিরেক্টর (এস) কী মায়কৈদগী মণিপুরগী প্রাইভেট অমসুং গভর্ণমেন্ট এদেদ স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংগী ফী লৌবদা মে ১, ২০২১দগী হৌরগা শুপ্পতগী চাদা ৫০ খক্তমক লৌগনি হায়বগী ওর্দর অসি রিভিয়ু নৎত্রগা মোদিফাইদ নৎত্রগনা রেটিফাইদ তৌবীয়ু নৎত্রগা চৎনহনবীগনু হায়বসিনি। মরমদি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎখিবা ইন্দিয়ন স্কুল, জোদ্ধপুর এন্দ অনদর ভর্সেস ষ্টেট ওফ রাজস্থান এন্দ অদরসকী মতাংদা লাকখিবা স্পেসল লিভ পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২৭৮৮১ ওফ ২০১৯গা মরী লৈনবা সিভিল আপীল নম্বর ১৭২৪ ওফ ২০২১বু লৌখৎতুনা খন্নরগা মে ৩, ২০২১দা পীখিবা জজমেন্ট অমদা প্রাইভেট স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংদগী থাগী লৌগদবা ফীগী চাং চাদা ৫০দগী চাদা ৮৫দা হেনগৎহনখ্রবনি হায়বসিনি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা একাদেমিক সেসন ২০২০-২০২১গী ওইনদি মহৈরোয়শিংগী ফী চাদা ১৫ ককথনবা এপেক্স কোর্ট অসিনা দিরেক্সন অমসু পীখিবা লৈ হায়বসিনি। মরম অদুনা মণিপুরগী প্রাইভেট স্কুল অমসুং গভর্ণমেন্ট এদেদ স্কুল পুম্নমক্না মহৈরোয়শিংদগী থাগী ফী লৌবদা চাদা ৫০ খক্তমক লৌগদবনি হায়বগী লৈঙাক্কী ওর্দর অসিদি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৪ অমসুং আর্টিকল ১৯ (১) (জি) না পীবা ফন্দামেন্দেল রাইটশিং মাঙহনবনি হাবসিনি।

অদুগা এদ্যুকেসন দিরেক্টর (এস) না থোকখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ওক্টোবর ১৮, ২০২১দা কেস অসিগী পিটিস্নরশিংনা প্রাইভেট স্কুলশিংগী প্রিন্সিপাল/ওজাশিংগা খূৎশম্নদুনা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখি। চেরোল অদুনা ওর্দর অসিবু শেমদোক শাদোকপীয়ু নৎত্রগা চৎনহনবীগনু হায়নসু হায়জখিবনি হায়রি।

অদুবু, মমাঙ থাগী ১৮দা পীশিনখিবা চেরোল অদুগী মতুং ইনবা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎলক্তবদগী সিভিল রিট পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপনি হায়রি।

মেট্টর অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি। লোয়ননা কোর্টনা মেট্টর অসিবু খন্ননবা লৌখৎলকপদা পিটিস্নর ৮গী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি। মহাক্না কোর্টতা কেস অসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং সবমিট তৌখি।

কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী ওফিসল রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি অমসুং এদ্যুকেসন দিরেক্টর (এস) দা মথং থাগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি। কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিস অদু কেস অসি খন্নরকপদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট সুন্দরিনা লৌখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি মখা তানা খন্ননবা মথং থাগী ১৭তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা রিট পিটিসন অসি পন্দুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা প্রিন্সিপাল/ওজাশিংনা ওক্টোবর ১৮, ২০২১দা পীশিল্লকখিবা অইবা চেরোল অদুবু খন্নদুনা থবক্তা ওন্থোকপগী থবক্তদি অথিংবা লৈতে হায়বা ৱাফম খঙহনখি।

থবক লৌবদা বি জে পি লৈঙাক্না মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিংগী...

লামায় ১গী মখা... কোভিদকী ৱারবা মতমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুপীশিংগীদমক খন্দুনা জনধন একাউন্টতা অহুল্লক লুপা ৫০০/৫০০ হাপ্তুনা অচৌবা মতেং পাংখি। লোয়ননা লৈবাক মীয়ামদা চেঙ পীদুনা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদ্রবা কোভিদকী মতমদা চরা হেন্দনবা হোৎনবীখি। সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমদি মণিপুরদসু বি জে পিনা লিদ তৌবা লৈঙাক অমা লৈবা মরম্না দবল ইঞ্জিন হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা লমদম অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা মায়কৈ অনীমক্তগী অঙম-অঙন্বা মতেং পাংনরকপা মরম্না খোঙজেল য়াংনা চাউখৎপা হায়বদু ওইরগনি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মরুওইনা নুপীশিংনা থেংনরম্বা অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়া অদু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোকহন্ননবগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। মসিগী শরুক অমা ওইনা চাকথোং গ্যাস পীবীদুনা নুপীশিংনা মায়োক্নরম্বা অচৌবা পোৎলম অমা থাংদবীবা হায়বদু ওইরে। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদসু লৈবাক মীয়াম্না বি জে পিনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়নবগীদমক মীচম অমনা তৌবা য়াবা থবকশিং তৌবীরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী নেসনল ইন-চার্জ বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশ অমদি নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর সুমিত্রা লালুনা হায়খি, মতম অমদা লমদম অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ তৎতনা তৌবা অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়াম্না ফৎতনা লৈরম্বা অদু ঙসিদি লৈখিদ্রে। পুম্নমক অসি মীয়াম্বু নুংশিজবা অমদি মীয়ামগীদমক খনবা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপা অসিনা ঙম্বনি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্নসু বি জে পিদা ভোট পীদুনা সেন্টরদা অমুক হন্না বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবীয়ু হায়খি।

থৌরমগী মখা চথরকপদা বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট লোতিকা লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি অতোপ্পা পার্টিশিংগা পুন্না শেম্বা গভর্ণমেন্ট অমা ওইবা মরম্না লৈবাক অসিগীদমক তৌনিংবা থবকশিং অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা লো শেম্লকপা মতমদা মপুং ফানা সপোর্ট ফংদবা মরম্না থবক মপুং ফানা তৌবা ঙমখিদে। করিগুম্বা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা মপুং ফানা মেজোরিটি ওইদুনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি মীয়ামগীদমক তৌনিংলিবা থবক খূদিংমক মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না বি জে পিগী মীরেপশিংদা মপুং ফানা শৌগৎতুনা মথংগী লৈঙাক শেম্বদদি বি জে পি খক্তনা শেম্বা লৈঙাক অমা ওইহনবা মথৌ তাই হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লম্লাই এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, লম্লাই মায়কৈ অসি হীরম খূদিংমক্তা শোত্থনা লৈরি। অদুবু লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মীয়াম্না এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহনবীরবদি শোত্থনা লৈরিবা এ সী অসি চাউখৎপা ঙম্নবা কত্থোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌগনি। মরম অদুনা মীয়াম্না মমাঙথক্তা ওইখিবা এম এল এশিংনা তৌবা ঙম্লমদবা থবকশিং অদু ঐহাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক মীয়াম্না ঐহাকপু এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মিনা, বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি অমদি ইন-চার্জ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মহিলা মোর্চা এম চাওবী, বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট পি দিসেম্বর, ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য পি বিমোলা, বি জে পি মহিলা মোর্চা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এম নাচোম লৈমা, বি জে পি লম্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিটকুমার অমদি বি জে পি মহিলা মোর্চা লম্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট আই য়ামিনিসু শরুক য়াখি।